## ৱারী মচা

# খোল্লাং লমন

### তেজকুমার ৱারেপমচা

'ইমা' নুংশিদ্রা মিংথোইবী মিংলেনসি? ইমাগী লমন্দি মপোক তরেৎলক্তুসু শিংবা ঙমদে হায়নৈ... ৱাহৈ মতেক, পরেং অসি রাজেন্না অঙাং ওইরিঁঙে লাইরিক অমদা থেংনখি। ঙসিসু মহাক কাউদ্রি অপীকপা মচাশিংদা তত্তনা তুল্লমদাই খুদিং ৱারী ওইনা লীবী। মচাশিংনা হরাওনা নুংঙাইনা তাজৈ। রাজেনগী তুল্লমদাই ফম্মুংগী নাওশুম ৱারীসিদা শয়ানা হরাওজৈ, নোকচৈ নুঙাইজৈ। মপুরোইববু খংনুং-খংনুং নুংশিবা ফাওজৈ। মসিমসু মচাশিংদা নত্তনা রাজেন্না ৱারী ওইনা হায়, "মপা অমদি মমাগী চান্নবা ঈনা শেমদুনা ঈচা হায়বা লন অসি ওইখিবনি।... মপান্দগী অথোইবীনা হংলকই ... দাদা ... দাদা ... ইমাগী হিদাক লৈরকপ্রা? রাজেন্না খুল্লকই, ইহে কাউরে! হয়েং লৈরক্লগে ঙসিদি পূমকাউ কাউরে। শায়ানা শুগৎলগা ফ্রি কামলগা শাওদুনা হায়রকখি, শিগে হায়রগা কোক হেক শিদোকখো সুম মী ওৎত্তুনা মরৈ। ঙহাক লৈরগা গুলি, ঙহাক লৈরগা হিদাক মসি হনুবীসি পুরা মীনুখাংনিকো। রাজেন্না মখা শমথরকই, খঙদে ঐগী তোলোপসি ইমাগী গুলি, হিদাক লৈবদা কোন্নরক্ত্রে। পুংকক চাওরবা মচানুপাদু মপাদা মুন্না য়েংলগা হংলকই, বাবা ইমাগী লমন্দি মপোক তরেৎলক্তুসু শিংবা ঙমদে বাবানা হায়খিবদাইনে। শায়ানা মচাদা শাওরপ্না খুল্লকখি। "হে বুদু, মদুনা লাইরিক্কী ৱানিনে অপং।"

মতম অমগী রাজেন ঙসিদি কয়াদা ওন্না-তৈনখ্রবা লমদম অসিদা খুঙ্গঙ অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা হায়নরম্মী রাজেনগী মতৌ তমজৌ হায়না নুপী হেক থিখিবদগী মমা অমদি মচল নুংশিবগী চাংদু তপ্না তপ্না মাংশিল্লকখি। ইমানা মরোইরে মচলনা মরোইরে খল্লম্বা রাজেনগী থম্মোয় কনাগী শক্তি লৈবা নুংশিৎনা হুমদোকখ্রবা। মমা লুখ্রাবীনা মাবু চাওনবা য়োক্লকখিবা, মহৈ তমহল্লকখিবা, সরকারগী থবক তৌহন্দুনা ওফিসার ফাওবা থাঙ্গৎলকখিবা পূম্নমক পূমকাউ কাউদুনা মহাক ইম্ফালদা সরকারগী ক্বাটরদা লৈথোকখিবা ... তশেংনা মাবু উরুবগা করম্বা মমা-মপানা মচা-মশু শেমনিংগদৌরিবনো? রাজেনগী নুপী শায়া কলেজগী ওজানি। মমিং লৈবা ইমুংগী তাংনা য়াওজবী নিঙোলনি। মীপুম খুদিংনা ফিদম্নফম ওইবী কলেজগী ওজা ওইজরবসু মহাক্কী মশাদদি তমজনফম ওইবা গুণ অমতা চেন্দে। নুঙাই য়াইফ ঈমুংদগী হৌরকপগী হৌনশা মী উশিত্তবা মকু-মনেম্বু নুংশি খঙদবী অচাও-অরম, অরং-অরাক্তা মপুক্লিং চপ য়ুংনা লুপচবী নুপীনি। অমদি মচলনুপীবু তান্নবা খুঙ্গঙদা হুন্দোক্লম্লগা ক্বাটরদা লৈখিবনি।

লুখ্রাবী চাওবী মচানুপী অথোইবীগা লোয়ননা য়াম্না ৱানা হিংহৌই খঙনা খঙনা রাজেননা নোংমতসু খুঙ্গঙদা লাক্তুনা মমা অমসুং মচলবু য়েংশিল্লদে। ৱারৌবা হৈজদ্রবা মমা চাওবীনা মচাবু নুংশিদবা খক ঙমদে। নোংমতা মচা-মমৌ শোন্দবা য়াওদে। মচাগী মমৌগী ৱারী লীজরগা পেঞ্জবা হায়বদু ওইরি। মবুংনা ওফিসার ওইরগা নুংঙাইজগনি খঞ্জরম্মী মনম্মা লাক্লগা হেন্না য়াইফজগনি খঞ্জরম্বী মথোইবী ঙসিদি চৎনা ওইনা নারম্বদগী পোপ তুনা নাখ্রে। অথোইবীনা মমাদা তত্তনা হায়জৈ-ইমা ঐ নারে হায়বসে তাম্মোদা খঙহনখিগনুকো ...! পিনা থুমহৎলবা মচানুপীগী শিন্থরক্লিবা পিরাংদো তৈথোক তৈথোক্লা চাওবীনা হায়রকই - "ইবেম্মা, নঙবু নমা ৱারৌব্রানে? করিগীনো নঙনা নবুংদা নঙ নারে হায়সি য়াদ্রিবসিবো?" অথোইবীনা তপ্না খুল্লকই - "ইমা ঐ মাবু খরা ৱারৌই। ইনম্মদি করিমতা ৱারৌদে। বাবানা থম্বীরম্বা লৌ খরদু য়োল্লগা মহাক থবক তৌখিবনি। মীয়াম্না ব্যবহার তৌনরিবা ওফিসার হায়বা মিংথোল অদু ইমানা মাবু লাইরিক তমহল্লমদ্রবদি ওইরমগদ্রা? মাতবু মী ওইরবদি হায়দুনা ইমানা মীগী থবক ইনখাং শুখিবা নোমখিবা ... ইমানি মচল ঐবু করিমতা খনবীদ্রবসু ইমা নঙবুদি মানা নুংশিফম থোকপনি। নচা ওফিসার অমা লৈনা লৈনা ঙসিশু মীগী থোংজিন্দা লেপ্লি। মীগী খুৎশুমন্দা পুন্সি হিংলি লাইবক থিরবী ইমা ... নচানা নুপীগী মপোক্তা পোক্লুবনা নঙবু নুংঙাইহনবা ঙমদ্রেদকো ..।" শুৎ শুৎ কপ্লীবা মচানুপীবু থেমজিন্না চাওবীনা হায়রকই - "ইমাগী ইবেম্মা করিগীনো নঙনা অদুম্না হায়রিবা? ইমা ৱাদে নবুংনা ইচাবু হন্না য়েংশিনবীদ্রবসু ইমা লৈরিবসিদি নঙগীদমক অদুগী শরুক ঙহাক্তং পোত্থাও সে ইমা নশাদু নানবীরক্কে।" চাওবীনা মচাবু নানবী। অথোইবীনা মমিৎ উইশিন্দুনা তপ্না তপ্না তুমথখি। মচানুপী উহন্দনা শিন্থরিবা চাওবী অরোনবা পিরাংনা অরেপ্পা লৈতনা খজাইদা ফোং ফোং শানা শিন্থরি। মচাগী মোন মখাদা লৈরিবা ডাক্তরনা ইরম্বা হিদাক্কী চেদু মুন্না য়েংলগা খল্লকই ইচানবুদি মবুং অমদি মনম্মবু ৱারৌদুনা মহাক নারি হায়বসি খঙহনগনু হায়রবসু হয়েং খঙহল্লক্তে, তাক্লক্তে হায়দুনা শোয়দনা মাবু চৈ থাংবীগনি খনবদগী ইম্ফালদা মচাগী মনাক্তা চত্তুনা মচল নারি, হিদাক লৈনিংঙাই লৈতে হায়রুখিগে খল্লদুনা অথোইবীবু লৈকায়গী মচেম মনেমশিংদা শিন্নরম্লগা চৎখ্রে। মচাগী ক্বাটরদি য়ৌরে। অদুবু চঙশিনবদি ঙমদ্রে মহাক্কী শেৎলিবা ফনেক ইল্লিবা ইনফীদু মুন্না য়েংজৈ ... মথন্তা শোঁঞ্জে ঐসিবু ঙসিসু চমোৎ-চমোৎ লাকই হায়দুনা চৈরক্লোইদ্রা ...। নোংমা মঙদা উরম্মী লাকপদা মচানা পামজবা পেরুক কেঙোই য়েলাংনচিংবা পুদুনা হরাও হরাও লাকপদা মমৌনুপীনা ঙাংখিবা ৱাঙাং ... য়ুমথংনরিবা পূম্নমকসে থবক তৌবা ওফিসার ঙাক্তনি। মখোয় মমাংদা চমোৎ চমোৎ লাকপসে ইকায়খ্রে ... মচানুপানা মখা তারকখি, অওইবনি ইমা খরসু তরু তনান্না লাকউ য়াদ্রো মীগী মমাংদা ইকায়জখ্রে সৈত্য ... অদুম্না মতুং অমুক লাক্কনুকো। চাওবী মচাগী লু-হেল্লবা ময়ুমদা চঙশিনবা ঙমদ্রে। অঙাউবীগুম মথন্তা শোঁঞ্জে, ইমাগী ইবুংঙো রাজেন নচল নুপীদো য়াম্না কন্না নারে, নঙবু য়ুমদা অমুক্তুদি লাকউগবা ... ইমা নচলবু য়েংবা ঙমদ্রে। ৱাহৈ অসি তুমিন্না শোল্লগা চাওবী মচাগী য়ুমদা চঙবা ঙমদদুনা তপ্না তপ্না মমায় লৈথোক্তুনা চৎপা হৌরক্লে। ৱাখল লুমথরবী অহল ওইরবী চাওবী অঙাওবীগুম তুরোই ঙাস্লোই চৎখ্রে।

মতমদুদা শায়াসু মপুরোইবা হল্লক্ত্রি নুমিত্তি তাশিল্লক্লে হায়দুনা মপুরোইববু খৌরাংনা ঙাইরি। নোংমাইজিং খুদিংগী চাকচা হৈজানবা, লেপ্পা কৌবা লৈতে। ওফিসার ময়াম পুল্লবনিনা অঙাংবা অঙৌবা মখল কয়াগী য়ুগী নিশানা তুরোই ঙাস্লোই তৌদুনা হেক্তা হল্লকই। তশেংনা হায়রবদা মতমগী ওফিসারদা তমজনিংঙাই করিমতা লৈত্রে হায়বা য়াই। হায়বগা তৌবগা রাজেন কার কন্না থৌজিল্লকই নেপালি মচা খানশানা গেট হাংদোকই। রাজেন পম্থবা তৌদনা মাগী কাদা তুরোই ঙাস্লোই পরপ পরপ চংখি। শায়াবু কৌরগা নুংশা থিনা হায়রকই - শায়া ঐ মী অমা গারীনা থোমজিলম্লে। মীদো শোয়দনা শিরম্লগনি। করি তৌসিগে! পুলিসতা চংশিল্লহৌবনা ফরগদ্রা ...। মতৈ মনাওমক ৱাখলগী ইপাক্তা ইরাক্লরে। খানশাবু কৌরে। মী থেংজিনফম মফমদু তান্না থুনা য়াংনা য়েংহনবা চৎহনখ্রে। রাজেন অমদি শায়া লাই ওক্লরবা মীদৌনা উংদুনা লৈরে। মরক মরক্তা শায়ানা চৈবোই ঙাংবোই তৌনা হায়রকই। নোংমতা লেপ্তে থক্লিবা চারিবা ওফিসার ওইরবদি থক্তবা য়াদে, চাদবা য়াদে হায়বা জাৎলা হৌজিক্তি নুংঙাইরনি। শেলসু তিংলনি, বদনামসু লৈরনি। তৌরিবা থবক্তুসু ফম কাথোক কাশিন্দা শোয়দনা অয়েৎপা ওইরনি। মীচং শঙ্গ লৈতবা ইমুংগী মীগা ওইরম্লবদি ফগনিদা ... হে! ঈশ্বর অমুক্তা কনবীয়ুকো। রাজেনদি শায়ানা তৌরিবা ঙাংলিবশিংদু করিমতা তাদে, উদে, মশাদু চেং খৈবগুম নিক্তুনা লৈ। ঙহাক লৈরগা থৌদোক্তু লোলনা তুমিন য়েংহনবা চৎহনখিবা খানশা নেপালিদু কোম্ছোংদগী শাহেপ শাহেপ লাওদুনা চেনশিল্লকই। শ্বর থবেৎ থবেৎ তৌদুনা পাওদম্মী। সাহেপ, সাহেপকী গারীনা থেংজিল্লম্মী হায়রিবদো অতৈ কনাশু নত্তে, শাহেপকী ইমা, ইমা চাওবীনে ... রাজেন পুমঙক ঙকখ্রে। ইমা হায়দুনা অঙাওবগুম চেনখ্রে। শায়াশু মপুরোইবগী মতুং ইন্দুনা চেনখ্র। চেন্না চেন্না শায়ানা খল্লি লাইদি লৈদি লৈবজাৎনি, শেলদি তিংলরোই, থনানশু ফাররোই। রাজেন মমাগী অশিবা হকচাংদু চেৎনা কোন্দুনা কপখি। মসিরা ইমা খোল্লাং লমন হায়বদো?

## তাবুনুংদগী

*(কবি রত্ন হিজম অঙাংহলগী শৈরেং ''ৱাখল'' কৌবা অসি ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎতুনা পুথোকচরি ঃ এদিটর)*

### ৱাখল

পামেল থক্তা য়াইরেকপা চেক্লা চাদি অয়াম্বা,
কৈসু লৈত' কয়াগী পোম্বী ৱাথোক ওইরিবা!
চিন্দা পাওদা-নদুনা করি' অহিং লেল্লিবা,
ইনুং অসি মঙাইদো কুইরোইদবা মতম্নি।
সোরা নাতৈ লাকপদা কোরৌ হনবা মঙান্দা,
লোইনা ঙম্না পাইখিনি পোম্বী মায়কৈ তরাদা।
অফ-ফত্তা খন্নখো অহিং 'সি নুংঙাইনবা,
মীচং চুংবু শাদুনা হয়েংগীসু ফনবা।
পোম্বী লেন্ন' হোৎনখো চেক্লা 'চৌবা খুত্তগী,
উঁহৈ চিন্দা উমজখো ইনুং কোরৌ অসিগী।।

## মণিপুরী পাঙ্থৈ পাওরৌ পাওতাক

**১১৮।অঙাং অপীকপনা থা অৱাংবা লাম্নিংবগুম**
– মতিক মপা নত্তনা অৱাংবা ৱাখল তৌবগুম্বা মওং।

**১১৯। অঙাং লক্কবা চোপ্পা নঙই, অহল লক্কবা কপ্পা ফংঙি।**
– চহী লেঙ্গা নত্তবদা থবক তৌবা থকসি খাসি লৈরক্তবগী মহয়।

**১২০।অঙাং মানবা (অঙাং মচা মানবা)**
– তৌথোরকপদা মচু তাদবা।

**১২১।অঙাংবু শেন্দ্রাংনা চেনবা**
– ওইথোক্তবা থবক।

**১২২।অঙাং মতিক নত্তবা**
– মতিক মপা চানদবা থবক তৌবা।

**১২৩।অঙাং ওইনা মরুম কাবা**
– ওইফম থোক্তবদা ওইবা, ইতা-তাখৎপা অঙাং।

**খোমজিনবা**
**ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

## লাইরিক্কী উন্নবা

**লাইরিক্কী মমিংঃ কংলৈ লাই হরাওবগী মশক**
**অইবা ঃ কোন্সম খেলেন্দ্রো**
**ফোঙবাঃ রিন্দা পব্লিকেসন্স**
**মমলঃ লুপা ৫০০ /-**

কোন্সম খেলেন্দ্রোনা ইবা কংলৈ লাই হরাওবগী মরমদা শুগাইনা তাকপা লাইরিক 'কংলৈ লাই হরাওবগী মশক' হায়বসি লামায় ১১০ পাল্লি, মমলনা লুপা ২০০ পীরি। খৃষ্টকী কুম ২০১৬ কী মে থাদা রিন্দা পব্লিকেসননা গ্রোম ওফসেট, গভনর রোদ, ইম্ফালদা কপি মশীং ৫০০ খক নম্লগা ফোঙলিবা অসিগী কপি রাইট অইবা মশানি। লাইরিকসিগী মখুম্না ক্ষেত্রিময়ুম রঞ্জননা শেম-শাবনি। নৈনবা ৱারেংগী লাইরিকসিদা য়াওরিবা তাঙ্ককশিংদি 'লাই হরাওবা মশক তাকপা', 'লাই হরাওবা মখল','কংলৈ হরাওবগা অতৈ হরাওবগা খেন্নবা অমসুং মান্নবা', 'কংলৈ হরাওবগী থৌরমশিং', 'লাই হরাওবগী হোংলক্লিবা মশক' হায়রিবাশিং অসিনি। অরোইবদা লাইরিক অসিবু ইবদা মচাক তানফম ওইখিবা লাইরিকশিংগী মমিং মথানচিংবসু পীদুনা নৈনবা ৱারেং লাইরিক অমা ইবগী মেথোদোলোজি অদু ঙাক্লবা হোৎনরি। তেংবানবদা লৈরিবা খেন্নবা কাঙলূপ নৎত্রগা ফুরুপশিংগী মশা-মশাগী ওইজবা লাইনীংলীচৎ অমমম কাঙলূপ-ফুরুপ অদুনা হৌরকপগী ৱারীশিংগা শাগোন্নদুনা লাকমিন্নৈ। লাইনীং কদায়বু কৌবগে হায়বসি মশক তাক্লবা হোৎনবদা অরুবা ওইরবসু লাইনিংবু নৈনবা তারবদি চপ চানা-অতাবী ৱাহম্থোক (clear-ent defination) অমদি পীদবা য়াদবনা নৈনরোয়না মদুবু পীনবা হোৎনরি। লাইনীং হায়বসি অহানবদা ইতিহাসকী ওইবা লাইনীং মরুপ (sects) ময়াম লন্নাই মীওইশিংগী মনীংতম্বা ৱাখল মীৎয়েংশিংদগী থোক্লকপা লাইনীংগী থাজনবীশিং (religious belief) লাইনীংশিং থোরকখিবগী ৱাফমশিংসু ঈঙ্গিৎ ওইনা পল্লি। শকওং নাইদবা থৱায়গী মরু অমদগী থৱায়পান পুম্বসি থোরকখিবনি হায়বসিদা অইবগী চপ চাবা থাজবা লৈ। লাইনীংগী মতাংদা কাঙলূপ-ফুরুপ অমদি লনাই মীওইশিংগী মরক্তা খেন্নবা মীৎয়েং কয়া লৈনরবসু অপুনবগী ওইনা য়ান্নরবা মশক খরসু লৈতবদি নত্তে। অদুগুম্বা য়ান্নরবা মশককশিং অদুদা মীৎয়েং থমদুনা Sadhn sianthinath না তাঙ্কক মঙা থোক্লা খাইদোক্তুনা পীরম্মী।

লাই হরাওবদা অরিবা মণিপুরীশিংগী লাইনীংদা য়াওরিবা এনিমিজম (animism) ফেটিমিজম (faithimism) টোটেমিজম (totemism) অমদি মপা-মপুবু লাৎপা (ancertor worship) নচিংবগী মশক উবা ফংবগী মতাংদা নৈনরোয়না মশাগী ওইবা মত পীরি। মণিপুরীশিংগী লাই হরাওবদা অঙনবা সমাজদা (primitive society) চঙনরবা লাইনীং মচৎ-মনাৎশিং ফোঙদোক্লবসু হোৎনরি। অদুবু নৈনরোয় থিওরীগী মায়কৈদা মপুং ওইনা চঙশিনবগী মহুৎ মৈতৈশিংগী লাই হরাওবা হায়বসি করিনো? মসিগী মতাংদা মৈতৈশিংনা মতম কয়াগী থাজনরকপশিং ইতিহাসকী ওইবা দোকুমেন্টশিং কয়াবু পীনবা লাক্লরি। মৈতৈশিংগী লাই হরাওবা হায়বসিদা য়াওদবা নাৎকী ওইবা মচল অমত্তা লৈতে হায়বা ফাওবা চোংথাম মনিহারনা 'লাই হরাওবা' হায়বা ৱারেংদা ফোঙদোক্লম্বা লৈখ্রবনি। অদুনা মণিপুরী জাতিবু শকখঙনবা হোৎনবদা লাই হরাওবা হায়বসি খঙদবা য়াদবনা নৈনরোয় হীরম অসিবু নৈননবা পয়াখৎলম্বা ওইরম্বসু য়াই। মণিপুরীশিংগী লাই হরাওবগী মখলশিং ১। কংলৈ হরাওবা,২। চকপা হরাওবা, ৩। ককচিং হরাওবা অমদি লৈরিবা মান্নবা অমদি খেন্নবশিংবুসু মরিক চুম্না মশক তাক্লবা হোৎনরি। অরোইবদা কংলৈ হরাওবগী মরমদা শুগাইনা তাক্লবসু হোৎনরি। লাইরিক অসি ৱাখল য়াম্না খলহনবা অমদি নৈননবা মচাক য়াম্না য়াওবা লাইরিক অমনি।

**আর জে মীতৈ**

## চয়োলসিদা সাহিত্যগী পাউ

***জুলাই ৩, ২০১৬, নোংমাইজিং***

ইরমদম মীয়ামগী অপুনবা খোর্জৈ লূপ অশম্বীদা ইমাখোল অৱাং পোৎশংবম্না শীন্দুনা মণিপুর প্রেস ক্লব, মেজোর খুল, ইম্ফালগী গ্রাউন্দ ফ্লোর ওডিটোরিয়মদা লাইরিক অনী ফোঙখি।

লাইরিকশিং অদুদি – "নুংলোন" হায়না মিংথোনবা য়াইস্কুল খ্বাইরাকপম (অৱাং সেকমাই)না খোমজিন্দুনা পুথোকপা পুয়া অমদি "খুল্লোন্নবগী খুঞ্জা অঙাংশিং" হায়না মিংথোনবা ৱাহেংবম রোমেন মীতৈ (পাৎসোয় পার্টি ৱান) না ইবা ৱারীমচাগী লাইরিকনি।

থৌরম অসিদা প্রোফেসার ই দীনমনি হান্নগী প্রসিডেন্ট, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালনা অথোইবা লেঙবিরকপা, কেশো সিংহ ইরেংবা, প্রসিডেন্ট ইমাখোলনা থৌরম মপু, ডা. শগোলসেম লনচেনবা মীতৈ, সাহিত্য অকাদেমী এৱার্ডিনা অখন্নবা লেঙবিরকপা ওইনা নুংলোন লাইরিক্কী মরমদসু ৱা ঙাংখি। মথংদা ডা. শরতচন্দ্র লোঙজোম্বা, এসোসিয়েট প্রোফেসারসু অখন্নবা লেঙবিরকপা ওইনা খুল্লোন্নবগী খুঞ্জা অঙাংশিংগী মরমদা ৱা ঙাংখি।

থৌরমসিদা অইবা য়াইস্কুলনা হায়খি পুয়া মৈ থাবগী থৌদোক্তা মৈতৈগী পুয়া কয়া মাঙহনবিখ্রে। মৈ থাখ্রবা পুয়াশিং অদুগী মমিং পদ্মশ্রী নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্রনা ইবা মণিপুরী সাহিত্যগী অরিবা ইতিহাস হায়বা লাইরিক্তা য়াওবা থেংনজৈ। নুংলোন হায়রিবা লাইরিক অসিসু মখল মঙা থোক্লা ইরম্বা থেংনৈ। ঙসি পুথোক্লিবা নুংলোন অসিনা মহাকপু তাকপি তম্বীরকপা ওজা অমুথোই লাইময়ুমদগী থেংনবনি নূংলোন হায়বা লাইরিক অসিসু মৈ থাবা য়াওখ্রবা নুংলোন অদুগী শাগৈ শালাইগী ওইগনি খন্দুনা পুথোকপনি। লাইরিক অসি তাইবঙ পানবা ঐখোয়গী য়াম্না কান্নগদবা ৱারী শিংবুল লীদুনা চৎপা লাইরিকনি। মৈ থাখিবা অদুদা য়াওখিবা পাইখ্রবা পুয়াশিং অদু মী ওইনা হিংবদা চঙগদবা, তৌগদবা, তৌরোইদবা, কান্নগদৌবা পূম্নমক নৈনবা লাইরিক্লি। মথংদা রোমেননা হায়খি। ঙসি পুথোক্লিবা লাইরিক অসি মহাক মশাগী মরিশুবনি, ৱারীমচাগী ওইনা অনীশুবনি। লাইরিকসি ওইনবা হোৎনবদা মতেং পাংবিরকখিবা পূম্নমকপু থাগৎচবগা লোয়ননা লাইরিক অসি ফোঙদোকপা ঙমজবদা য়াম্না নুংঙাইজৈ হায়না অপেনবা ফোঙদোকখি।

***জুলাই ৩, ২০১৬, নোংমাইজিং***

রোনিট পব্লিকেসন ককচিংনা শীন্দুনা ককচিং ফৌশুপাৎ লৈকাইদা লৈবা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টরগী ওডিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা চিং-লেন্নবা থৌরম অমদা ক্ষেত্রিময়ুম জয়কুমার শর্ম্মানা ইবা "তুরেলনা ইনাক্তা য়ৌরকপা" হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক অমা হৌনবী মতুং ইন্না মীয়ামদা ফোঙদোকখি।

থৌরম অসিদা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চিয়ারপার্সন মোইরাংথেম ইনাকখুনবী দেবীনা অথোইবা লেঙবিরকপী, মচা চনু ককচিংগী প্রসিডেন্ট ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনি দেবীনা ইকায়খুম্নবা লেঙবিরকপী অমদি সাহিত্য সেবা সমিতি ককচিংগী প্রসিডেন্ট য়েংখোম ধনঞ্জয় সিংহনা থৌরম মপু ওইখি। লাইরিক্কী মরমদনা সলায় তোম্বা অমসুং ডা. পুখ্রম্বম রাজেন্দ্র সিংহ অনীনা ৱা ঙাংখি।

**রাজেন খুমুকচম**

## শৈরেং

### ইঙেন থানা লাকপদা

***দোনেশ্বর কোন্সম***

ইঙেন থানা লাকপদা
লৌহোন হারৈ চাইরক্লে
লৌচা শেৎনা লিংলগে
খুলং ঈশৈ শক্লগে।

হো হায়না খুল্লক্লো
নোক্লা নোক্লা শক্লক্লো
ইতা ওইবী নখোয়সু
শিন্থা পাঙনা শক্লসি
ৱাবা কাউনা লোইরসি।

হৈশা-পোত্থা চাখিসি
য়েন্ন-য়েন্না চাখিসি
নোক্লা নোক্লা চীন্দমসি
পোত্থা ৱারী ওইহনসি
শৈরাংলিবী ইতারোই
শৈশক শৈরোই কাউখিনু।

### লমন

***নিংথেমপিশক ৱাইরোকপা***

নৈহৎপিখ্রবী
কনাগুম্বী অমগী পুন্সিবুদি
নঙনা
নাকেন্থাগী
অকংবা লৈরাংনি খন্দুনা
য়েংবা ঙম্লগা
থৌশাদবা মীকুপ্তুদা
নখুৎমক্লা থুগায়জবা
লীক্লিদুগী
অকায়বা মচেত্তুনা য়ুরকপদা
করিগী কপ্লি?
খাংঙু চৈনা
মৈথোকখো পিরাংদো
কনা উহন্দনা,
অউবশিংনা
কল্লক পেন্দনবা।

### লীক্লি

***রনবির সারুংবা***

লীক্লি মনুংদা
মনুংদা য়াওরিবদু করিনো?
কনানা হায়
অকনবা থম্মোয়নি।
লান্নি।
নুংনি।
নুংথংনি।
পুন্সি অমসুং
থৱায় (পারু) কায়নবগী
মৈচাক্লা য়োল্লবা থম্মোয় অমা
মখুম চেৎনা খুল্লদুনা য়োক্লি।
অমুক হন্না থোক্লকপা য়াদনবা ফারি।

### লোক্তাক্কী পি

***–কামিনিকুমার–***

তাদ্রবা মীচিক মীরাওখোল
থেংলবা অহিংদা
কপ্লি লোক্তাক্লা
থম্মোয় শোক্লবা খোঞ্জেলদা
হংলক্লি ৱাহং অমা
টুয়েল্ফ পারসেন্টগীদমক
ঐহাকপু তপ্না-তপ্না
লেপহনদৌরব্রা শোর হোনবা?
ফংদ্রি পাউখুম হৌজিক ফাওবা
পীবা ঙমগদৌরি কনানা?
লৌজরম্বা পুন্সিগী তাংজফম
ঐগী ইফমদা
থদৎপীরে মখোয়গী হিংনবগী লম্বেল
ওইহল্লে চাক্লি-ফিনিবা
ওইহল্লে মমল য়াওদ্রবা পুন্সি।
মশিং থীনবা
ৱাপল মরক্কী ককচেং
পায়খৎলি মৈ পুমঙালগী থৌশিল
ঙাল্লে মৈ টুয়েল্ফ পারসেন্টগী
ঙমদ্রে ককচেং মশিং থীবা
থীংজিল্লে হৈত্রুক হেকপা
চঙহন্দ্রে ঙা ফাবা
লাক্কনু হায়রে
পিক্লিক নিংতম্না
ওইরনু হায়রে
নুংশি ৱাইথুংনফম।
য়োক্লে বোরা উচিয়
ককচেং কোকচাউবী
হোন্দোকহল্লে অথেংবা অহিংদা
সনা খাংঙেল, মণি-মুক্তা
লোক্তাক ঐঙোন্দগী।
লোক্তাক্কী পি
তপ-তপ তারি
খকউ য়াদ্রেনে মতোমতা
তাখিনি পি
পৈরিবা কোকশিং
চমথোক্ত্রি ফাওবা।